"ইখুৎনা থাজৈ এঙ্গাংদো, ইখুৎনা তন্না হেকচৈদো, নুংঙাইবনি ইনিংতম্বদো" হিজম অঙাংহল ('ঐগী' শৈরেংদগী)

# শৈরেং

## "নুংগী লৈকোন্দা"

**—রাজকুমারী মীনা**

কালেন থাগী লৈপাক্লেংগুম,
খাঙবা কনবী লৈরাং অমতং,
থাজনীংঙি ঐগী থম্মোয় লৈকোন্দা।
ৱাখল থম্মোয় মান্নবা মাগা-ঐগা,
ঈংনা চিক্লা নীংথিরবী শক্তমদো,
ওইহনবীয়ু পুন্সিসিদা অমুক্তংদি ঐগী।
খঞ্জগেনে ৱাখলসিনা হন্দক মপোকসিমগী,
পোকপৈ মহয় য়াঞ্জরে নঙগী-ঐগী,
কৌজরগে পুন্সিসে নুংঙাইবা হায়বদো।
মমল লেপ্পা ঙমদ্রবা পাম্মুরবা থৱায়সে,
নুংশিবী নশুংলাংগী কৎথোক্লম্লগে,
নঙতনা লেপ্পীয়ু পুন্সিগী লেঙদনা।

## নুংশি বিদাই

**—অঙোম ইবোমচা**

ঐদি চৎলে ঐদি চৎলে
নুংশি নঙবু থাদোক্লম
পুদুনা নঙগী নুংশি শক্তম
থম্মোয় নুংদা ঐগী।
অথাপ্পদা লৈহৌরসু নঙনা
নঙদি ঐগী নাক্তা লৈ
নঙগী নুংশিরবা নুংশি শক্তম
থম্মোয়নুংদা ঐগী।
অয়ূক নুংথিল অনীগী
মীৎকুপ পুংজা খুদিংদা
থাদোক্তে ঐদি নঙবু
নঙদি ঐগী নাক্তা লৈ।
ঐনা হয়েং লাকপদা
ঙাইরম্মুকো থোঙ্গালদা
পুরক্কেকো নুংশি 'ঙামোক'
হরাওনা চাউকো চান্নবী।

## খোরিরোলগী ঈপাক্তা

**—এম নিলকুমারি**

খোরিরোলগী মপাল নাইদ্রবা ঈপাক্তা
চোংথরুবনি থৌনা য়াওদনা-পূক্লিংগী লৈকোলদা:
ঈরাক্লগদ্রা পাখৎচৈ।
পূক্লিংগা ৱাখলগা চৈখৈ অমত্তনা চিংশিল্লি।
কোমা, সেমিকোলোন থেংনদে।
ৱাখল মানা কোয়না চৎখি
পূক্লিং মানা ফাজিল্লি
ৱাখলনা য়ৌনীংবা মফম য়ৌখি।
এরোপ্লেনসু তোংখি অৱাংবা অতিয়াগী অহাঙবদা
মিৎয়েংগী ৱাংমদা লৈখ্রবা পাক্লবা
মপাল নাইদ্রবা সমুদ্রগী জহাজদসু তোংগুমলি।
ৱাখলগী লৈকোলদা
ডা. কমলগী মাধবী লৈকোলসু ইনাক নকশিল্লি
থাংজিং চীংজাওগী উ-থম্বাল ঐগী ওইরবোই খলহল্লি
পূক্লিং হকচাং ৱাখলনা পুনশিল্লি।
অচুম্বা ফজবা নুংশিবা।
নুংশি নুংওনগী লম্বীনি লমশাং চৎলিবা
পুন্সিনা পিখম্নদ্রিফাও চোংথহনবীয়ু
খোরিরোলগী ঈপাক্তা

## খৌরাংনা ঙাইজরকপদো

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

অমঙবা নোং
তারক্লনু য়াদবদো
তারক্লে তপ্না তপ্না
মোং হাদনা মৌ অনৌবীনা
অহানবা মপাম লমদম
থাদোক্লমদুনা লাকপগুম।
খৌগংনরুরবা তাইবঙ
জীবশিংগী হে থৱায় ওইরিবা
অমৃতগী মশক ওইরবা
হে কুমগী নোং,
নঙবু ঙাইবদা হৌখরে
লাকখিগদরা হায়না
ঙাইজরকপা কয়া।
লাক্লবদা ঙসিদি
খৌগংনরুরবা থৱায় কয়াগী
অমৃতগী মশক ওইরদুনা
মাঙহন তাকহল্লুরবা
উপাল-ৱাপাল কয়া
তেকখৎলো ঙম্না
অনৌবা য়েন্নিংগা লোয়নরদুনা।

## মৈখেৎকী মৈরি

**—আর কে বুধিমন্ত কর্টা**

মতুম তাবা মকোক মচা অমা পাল্লি
য়াঙ্গংলবা মশা অদুগী মতোন্দা,
পায়খৎপীরে খূৎপায় চেৎনা
খেৎতৎপীরে মকোক মচাদো,
অঙানবা ফক্লাং অমদা
মৈ ব্রং হৌই,
মৈরি থোক্লা চাক্লে,
মকোকখক চাক্লম্বদগী,
মথং মথং চাথরক্তুনা
মশা পূম্বা চাক্লে
লোইরে মাগী পুন্সি!

## থাবল চোংসি লাউ

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

খোঙ্গুনমেল্লেনা চরোং চুন্নিঙৈ
কোম্বীরৈ লৈরাংনা লৈকা ফল্লিঙৈ
কুশুমলৈনা ড্রুং ড্রুং শাৎলিঙৈ,
কালেনগী মৈশানা চাকথেক্লক্ত্রিঙৈ
ইঙাগী নোংজুনা থুম্মৎলক্ত্রিঙৈ,
ঙাইহাক অৱা পোত্থাথোক্লুসি
ৱাদুনতা লৈবা য়াবরনে?
লাউহে তোম্বী, লাউহে চাউবী
থোক্লরক্লো লৈকায় লম্পাক্তা,
ঙন্তানা চাকচা তোক্লগা
পানা খূৎতাপ নামিবা
খৌবুম থন্না উল্লগা,
শাবীগী খূৎতা শানৌনা পায়
থম্মোয় পেন্নবু চোংহৌসি
শজিবু চৈরাওবগী থাবলসে!
অমুক্তং পোকপা মীওইপোক্তা
হয়েংগীদমক অদুক ৱাগুমসিদা
হয়েংনা হয়েংগী থোকপা লাকচনি
'কম ওন, লেটস এঞ্জোয়!'
মীতোপ্না লাঙ্গৈই চনগে চঞ্জসনু
মীয়ানচানা খুল্লিংগে খুল্লিংজসনু
ঐখোয়দি নিংথৌনি নিংথৌ
কৈনবু ময়েক মাঙবরানে?
হায়নীংবা মখৈ হায়জসনু
চৈনীংবা মখৈ চৈজসনু,
নাকোং অমনা তারগা
নাকোং অমদা থাদোকখিসি।
অদুক লায়খ্রবা থবক্তুবু;
ঐখোয়গী অনীংবা অপাম্বদা
কনানসু অয়েৎপা অপনবা পীহল্লোই
অমুক্তংগদুম চোংথোকসি কালেন্দসু থাবল।

## থেংনরকখিদ্রবা

**—ডা. নির্মলা রাজকুমারী**

ফুৱাওনরবা কুচুদুদা
মল্লবা চমোৎনরবা ফিরোল
হাৎপীদ্রবা উরু উরু লৈশিল্লবা শল্লাং
মোসি পাচঁ তকা মোসি পাচঁ তকা
ইনাক্তা চঙশিল্লকপদো মথং মথং
নবদ্বিপকী গঙ্গা তুরেল মপান্দা
শেল নীহৌবা অঙাংশিংদো।
করিগীনো খল্লুরিবা ঐনা মখোয়গীদমক
কমদৌরমগদবা মখোয়গী মমা মপানা।
ঐনা মিথাই য়েনবীরগা
শেল খরসু য়েনবীবদা
মখোয়গী মায়থোঙদা নুংঙাইবগী মমি।
থাদোক্লমদাইগী অরোইবা অয়ূক্তো
ইরুজবা চৎপদা গঙ্গাদা
ঐনা পুখি মিথাই ময়াম
শেলসু পুখি খন্দোক্লগা মখোয়গীদমক।
চৎপদা খরা ঙন্না ইরুজবা গঙ্গাদা
অমত্তা লাক্লে অঙাংশিংদো
ওন্থোকপনি নুমিত্তো।
পীরমদ্রে মিথাইসু
পীরমদ্রে শেলসু।
হল্লকখি ঐ ওন্থোক্লা নুংঙাইতনা
য়েংলগা হন্না হন্না
মখোয়বু লাকপরা।

## মীখল

**—মাইস্নাম বীষেশ্বর**

মীয়াম্না পীবিবা থাগৎখিবা অকনবা শক্তিশিং অঙকপনি
ইন্দিয়া লৈঙাক চুক্লি মওং য়েংবীয়ু
ৱায়েল বিচারপতি অঙম্বসু লৈঙাক ৱাংমদা লেপ্পা ঙমদে
দেল্লী সী এমনা আর টি আই থাদুনা লানখৎলুবা
লুপা লিশীং ২৫ ফাইন থিখি
নরেন্দ্র মোদিজি প্রমান পত্রবু য়েংনীংলুবা খঙনীংলুবা মসিনি
লৈঙাক চুকলি পায়রিববু ইকায়খুম্নে তাকপনি
মথংগী চহী ৫মুক হৌখিদৌরে কদোম থোক্কনি তম্বা ঙমদে
মীয়াম্না করম্বা পার্টিদা কাহল্লক্কদগে য়েংবা চঙই
অচুম্বা অশোয়বা চাওখৎপা কয়াম পাম্বগে খঙলনি
ষ্টেট লৈঙাকসু মঙাই মরী মতাবু ঠিকা সপ্লাই
তৌহনবগুম্বনি অদুম অন্ধা অন্ধানি।
অতোপ্পা মীরৈবাক লমদমদা দাইমন্দ, হিরা লল্লোনবা
মরী মতাবু য়াহনবা, খঙন-চান্নবা মরুপ মপাংদা
ইন্দষ্ট্রি পোৎ চৈ লল্লোনহনবা
মসি মঙাই অমনা অমদা হায়রুবা ঙম্মোই
মথং লৈঙাক লাকপদদি হোংলক্কদ্রা হোংলক্লোইদ্রা
মীচম মীয়ামদা লৈখ্রে খন্ন-নৈনবনা পাম্বৈনি
কাঙলোন চুম্না মীহুৎ থাগৎহৌসি
অরেং অরেংবা পুখবা তোকঅসি।

## 'নোংমা ঐনা'

**—এস কে নাওরেম**

পুন্সিগী লম্বীবু কনানা খঙগনি
অসুক শাংখ্রবা লম্বীসে
কয়াদা তেল্লল্লবা মপোকসে।
শোয়খ্রবসু অমুক হনবা য়াদবা
কয়াদা লুরিবা চৎপা
চৎপদি লেপ্পা য়াদবনা
হৌখিনি মতমদি উনা উনা
ঙরাংদগী ঙসি ঙসিদগী হয়েং
মান্নদে কনামত্তা পন্থুংফম
মান্নে পূন্নমক্তি হৌরকফম।
মান্নহন্দে লোইনমক করিগী
শাংহল্লি কনানা তেলহল্লি করিগী।
চৎলি কনানা কপ্পা
চৎলি কনানা নোক্লা
কনানা মায় পাকপা
কনানা মায়থীবা।
চৎতবদি য়াদে পন্থুংফম ফাওবা
ৱারবসু ৱানা য়ৌদ্রি ফাওবা
থল্লম্বা খোঙ্গুল থিদুনা
চৎলম্মী খঙনবা নোংমা ঐনা।

## তালোয়

**—ইরোম মোবি**

ঐগী নুপীনা খুয়াদা তূম্মী
ঐনা নাদুনা লৈবদা
খোঙ তিংথোকই
মমায়দা থেংই
মবুক্তা থেংই।
মানা খোঙদু পায়দুনা
নানবী, মঙকশমদা থাঙ্গৎতুনা।
ঈশিং থক্লিংলকপা মতমদা
তোয়না হৌগৎতুনা ঈশিং পীথকপী।
মানা ঐগীদমক কখোক্লবনি হায়।
ঐসু মাসু ৱামিন্নৈ।

মতম মতমগী ৱাখল

# ওহ! কোম্বীরৈ লম্ফেল নৱা কোম্বীরৈ

হায়নৈ নঙগী পামজবা মফমদি লম্ফেল পাৎতনি অদুবু নহাক্কী লৈশাৎফমদি উদবা কুইরে। লম্ফেল পাৎ মমিংতা ঙায়খ্রে, পাৎ হায়দু উখিদ্রে । মতমগী অহোংবনা তপ্না তপ্না লৈরোন চনশিনবীরক্লি । লৈরাং নহাক্লা করম্না শাৎলিবা, নহাক্কী ফজববু শীংথাবা হৈবা,লৈশক খঙবা কনানা লৈরাং নহাকপু শৈথারিবা? তানীংলি নপাউ হংজরি শজিফু থানা লাকপসিদা। শৈশক খঙজবা, শৈথাবা হৈবা ৱাকমা অশৈবা মহাক্কী খুৎশু পেনাগী মখোন থোকখিদ্রে মহাক্কী থাদা পল্লিবা পেনাগী শাগোল শামৈ তৎখ্রে । অদুনা তাখিদ্রে নহাক্কী শৈথা ঈশৈদি । অনৌবা কুমওনসু লাকখি, লেপ্তুনা চৎখি অরীবা কয়া। ৱারী ওইনা লীনহৌখি তুংদা লাকপা কনানা ।



ও কোম্বীরৈ লৈরাং নঙগী ঙরাংগী ৱারীসে অরীবা ৱারী ওইহল্লে ঙসিগী মীরোলনা। খঙগুমসু তৌ,উগুমসু তৌ মমি শাম্মি। নঙদি শাৎলি শাৎফম থোকপা কুম অমগী । লাইবক থীবদি কুমসে কাংলি,নোং তাদবদগী নোংলিক অমা ফাওবা হন্দক চহী অসিগী ফংদনা মরেক থুম্না ঈশিং য়াওদনা কোনবীরৈ লৈ অসিনা লম্ফেলগী কাচিন অমদা ৱানা হিংজরি । ও কোম্বীরৈ অদুঙৈগী কোম্বীরৈ করম্বা তৌহৈদবা তৌরুবনা লৈরাং নহাক্লা মকা লাম্না শাফোংবসু ঙমদনা লৈবনো ?

চৈরাউবা থাসি মৈতৈশিংগী অনৌবা চহী হৌবনি লৌনরি। থা তরানিথোইগী মশীং থীবা হৌবদা শাজিফু,কালেন,ইঙা ইঙেন হায়রগসু মহৌরি। থা তারানিথোইগী অহৌবা শজিফু থা অসিদনি লৈরাং কোম্বীরৈ মহাক্লা লৈশাৎ তমজরিবসি। শজিফু লাকয়েন তাইবা, অরী-অনৌ শিন্নবগী থৌরম, শজিফু থা অসিদা মমাংঙৈদগী চৈরাওবা থৌরম পাংথোক্লদুনা লাক্লি। শজিফু চৈরাউবদা কোম্বীরৈ লৈ অসি শোয়দনা য়াওনৈ। লৈ অশাৎপা ফংদ্রবসু লৈ অসিগী মনা অমত্তা ওইরবসু য়াওরগা কৎনরি। শজিফু নঙনবা মহৌশাগী লৈ খরনা নঙননবা লৈশাৎ তমজরি । লৈশিংগী মনুংদা কুমশুলৈ (কুসুম লৈ), কোনবী লৈ (কোম্বীরৈ) অমদি লৌবুক লৈরি অহুম অসি খনগৎপীদুনা ঙসি ফাওবদা চৈরাওবদা কৎনরি। করি মরমগীনো কনাসু হংনদে, কনানসু থীনদে। লৈগী মরমদা ইবা লাইরিক লৈরোন অমদি লৈরোন তেংথাদা কোম্বীরৈ (কোনবিরৈ)গী মরমদা নীংথিনা শৈথারি । লৈ অসিগী ৱারীদা মান্নদবা খর খরা থেংনৈ । হৌরক ৱারী, থাজ ৱারী লৈরি। মসিনা তাকপদি নাৎকী মশক, মচৎকা শাগোন্নবগীনি। ফোকলোরগী মীৎয়েংদা য়েংলগা নৈনবা য়াবা থিজিনবা য়াবা খরসু থেংনৈ । থিজিনবা নৈনবা হায়বসিদা থিজিনগদৌরিবসি কনাননো হায়বসিনি। য়ারল পাৎকী কোম্বীরৈ হায়নসু অশৈবা কনানা শৈশক্লে । অশৈবা কনা অমনা লম্ফেল নৱা কোম্বীরৈ হায়নসু শৈথানৈ । লম্ফেল হায়বা মফম অমগা য়ারল হায়বা মফম অমগা অনী অসিদি মী অয়াম্বনা খঙনরি, তানরি । লোক্তাক্কী মশা ওইবা মখারোমদা লৈবা পাৎ খর, মরুওইনা- খরুং পাৎকা কোম্বীরৈগসু মরি লৈনবগী শৈথা ঈশৈ, ৱারী ৱাখোং লৈরি । মসিনা কমদৌবা ? মোইরাংদা কুম্বীদা, ৱাংঙুদা শুগনুদা, ককচিংদসু কোম্বীরৈগী মরমদা শৈথাবা ঈশৈ ৱারী লৈরিবসিদি ঐখোয় নৈনররোইদ্রা ? পঞ্জরিবা লমশিং অসিগী লম্মীৎলোন, লৈরোন ৱারী পেনা অশৈবশিংনা শক্লরি। পেনা অশৈবতা নত্তনবা ৱারী লীখুন খঙবা মাইচৌ পণ্ডিৎ, মৈতৈ ঈশৈ শকপা, পেনা,খুল্লং ঈশৈ,খুনুং ইশৈ শকপা, ইচে-ইচল, অহল-লমন লৈরি । মখোয়দা লৈরিবা শক্লরিবা শৈথানরিবা, কোম্বীরৈ লৈ অসিগী ৱারী লৈরোন অসিদি কনানা তাবীরগা খোমজিনবীরিবগে,লৌশিনবীরিবগে ? অফংবা অনকপদা লৈবা অখঙবা খরনা শকপা শৈথাবা ঈশৈ খরা, ৱারী ৱাখোং খরা অদুতা হঞ্জিন হঞ্জিন্না তারগা কোম্বীরৈগী মরমদা, লৈরোনগী মরমদা খঙবা লোইরবনি হায়না লৌবা অদুনা য়ারগদ্রা হায়বসি হীরম অসিগা মরী লৈননা থবক পায়খৎপীরিবা, পায়খৎকে খনবীরিবা, থিজিনবীরিবা খূদিংমক্কী মফমদা ৱাহং হংনীংঙাই ওইরকই।

য়ূমগী অহল লমনশিংনা মচা-মশুদা ৱারী লীবা হৌবা মতমদা শীজিন্নবা- "থায়না থায়না মমাংঙৈদা..নৎত্রগা মতম অমদা নিংথৌ অমা পাল্লম্মী.." হায়না ৱারী লীবা হৌবগুম, লম্ফেল পাৎতা মতম অমা কোম্বীরৈ শাৎলম্মী, য়ারল পাৎতা লৈশাৎ তমলম্মী,চৈরাওবদা কোম্বীরৈ কৎনৈ..অসিনচিংবা ৱাহৈ খরনা ৱারী লীবা হায়ফেৎ হৌরগা মখাদি, লৈ অসিগী ৱারী লম্মাংনগদৌরি। কোম্বীরৈগী মরমদা অমোম খোংনাং, ময়াম্না ৱাংঙু খোংনাং হায়না শোন্নখিবা অশৈবনা খোংজোম পর্ব্ব শৈশক্তা খমনুং য়াইদিংকোনু হায়না মিংথোন্দুনা কোম্বীরৈ লৈ অসিগী মরমদা শাংনা শৈশকপীরম্মী । মসিনসু মরোয়দে, লৈপাক্লা খঙনখিবা ইমা ইবেম্মা নামৈরাকপম ইবেনিনসু কোম্বীরৈ লৈ অসিগী মরমদা শৈথাদুনা শকপীখিবা লৈরি । শক্লাইখিবা অনী অসিগী শৈথা মতেক খরা লৌখৎচরি। অমোম খোংনাংনা লৈ অসিবু অসুম হায়না শৈথারিঃ- "শিংঙেন মাদি কনানো, তাইবংপুংগী লৈরাং নত্তে, খম্নুং পুংগী লৈরাংনি। খমনুং থোংঙারেন অরীবগী, মশানৌ তালোই অতোম্বী, কোলোই মীংলেন্না ফজবী,খমনুং য়াইদিং কোলোইবী। মবুংঙোদা হঙ্গৎচৈ, লাইনিংথৌও তাইবং কুম্মৈ য়েংজগে, মবুংঙোনা তাকপীখি। তাইবং কুম্মৈ য়েংবা য়াদে, তাইবং মী হায়বা অসে লমচৎ নাইদবনি অশোন অনা অমদি ওইদবনা থনবা তাইবং মপুনি । মদুদা নহাক্লা লৈরুবা তারবদি তাইবং ময়া চাওরুগনি। চুমদবা লমচৎনা লমচিংদুনা কোনু নবুক ওলক্তুনা মাঙনবগী মচাক ওইরক্কনি।" শৈথারিবা অসিদা পল্লিবা কোনু হায়রিবী অসিদা শিন্নরক্কদৌরিবা লৈরাং অসি কোম্বীরৈ হায়রিবা লৈ অসিনি। কোনুনা পুকচেল ওনখিবদগী ঙৌনা শাৎখিবা লৈনা মচু ওন্না শাৎখিবদগী কোনবীরৈ ওইখিবগী ৱারী অসি অমোম খোংনাংগী ঈশৈদা শৈথারি ।

মথংদা নামৈরাকপম ইমা ইবেনিনা অমুক অসুম্না শৈথাদুনা শকপীরমখিঃ-"..লম্ফেল নৱা কোম্বীরৈ, মরম লমলেন নুংশিবী, হূপনা নাপুং ফাবা লম, চোংকাংনা পোকতেক লৈবা লম, হৈরেম চাকলাই থেংবীনা ( উথুম কৌবা চেক্লাবু শৈথাবনি) মপারি চয়িন থেংবনা চেক্লা ওইনা লাংওনবী।..শিংঙেন লৈরাং কোম্বীরৈ, ইশানৌ খম্নুং কোলোই মিংথাং লৌদুনা কোম্বীরৈ হায়না থোনজবনি।..শাৎলরোনে লৈনুংশি শিংঙেন নঙনা পামজবা, নুংশি লম্ফেল পাৎতুদা ॥" ইমা ইবেনিনা শৈথাবীরিবা অসিদা কোম্বীরৈ লৈরাং অসিনা নুংঙাইনা, লৈপাক লৈহাউ চাননা শাৎচনিংবা মফমদি লম্ফেল পাৎ অসিদনি হায়না কুপ্পা লৈরোল ঈশৈ অসিদা শৈথাদুনা শকপীরম্মী । অহল ইবুংঙো খ্বাইনা শীংথানখিবা ওঝা থাঙ্গ মঙ্গোলজাওনসু মতুং তারকপদা কোম্বীরৈ লৈরাং অসিগী মতাংদা অমোম খোংনাং অমদি নামৈরাকপম ইবেনি অনীনা শৈথাবীখিবা ঈশৈ অসিগী শৈশক অনীমক অসিগা মান্ননা মোইরাং কংলৈরোল ঈশৈ শৈশক্তা শকপীরমখি। পেনা অশৈবশিং লৈশক খঙনা শকপীবা ঙম্বা অহল লমন খর লৈরমখি। মখোয়গী মতুং তারকপদগীদি খোঙ্গুল মুৎখিবদৌনা হৌজিক থেংনরি। কোম্বীরৈ লৈরাং অসিগী মরমদা ৱারী লীখুন খরদি লৈরমখি । ঙসিগী মীরোল অসিনা লমদম অসিগী ফোক ঈশৈ অমা ওইনা খুল্লং ঈশৈ নৎত্রগা খুন্নুং ঈশৈ শক্লরকপদা লৈরোন শৈথারকপদা খরদি শক্লে হায়ববু কয়া মনুং য়ৌশিন্না শকপা ঙম্নরকত্রি। অখঙ-অহৈশিং লৈরি হায়না খঞ্জদুনা চঙশিন্দুনা মনাক নক্লা থিরুবদা হংজরুবদা, মমিংতা ঙাইরমখি ।

শজিফু চৈরাউবনা লৈরিমখৈ কোম্বীরৈ লৈবুদি নীংশিংখিগনি । শজিফু চৈরাউবদা লৈ অসিবু অফংবা কনাগুম্বা খরদি লাইদা কৎনরি । লৈ অসি উবা ফংদবা কনা অমনদি মনা মচেৎ অমত্তা ওইরবসু ফংনবা মমল তাংনা কৈথেন্দগী থিদুনা লৈরি। কৎপগী মরম, চৈরাউবদা য়াওবগী মরমদি থোইনা খঙনদে, থিনদে। চিন্দসু হায়নৈ ঙাঙনৈ লম্ফেল পাৎকী কোম্বীরৈ । কোম্বীরৈ লৈবু উবা ফংলিবা লাইবক ফবা খরনদি লৈরাং অসিগী লৈচু ঙৌই মুই হায়বা ঙমখিবদি য়াই লৈ অসিগী মরমদা তেংথাবদি ঙল্লরোই। লৈগী লৈচু খঙলগা,লৈগী লৈচু উরগা,লৈশক খঙঙি হায়বা ঙমগনি খনবদি হায়মনবসু থোক্কনি। লৈরোল ঈশৈদা লাচনখ্রবা কোম্বীরৈ লৈরাংসিগী মরমদা কনানা, কদায়দা করি লৈরোন তেংথা ঈশৈ মখা তানা ঔরাইরিবগে ? নাৎকী লৈরাং অমনা নারক্তা মাঙখিবদা কনানা মাগীদমক মার খোঙ্গুল লীবীরিবগে ৱাহং অসি হংলকপদা পাখুম পীগদবসি কনানো ? কোম্বীরৈদি হায়নরে, লৈগী মরমদসু শোন্নরে, চৈরাওবদসু কৎনরে। লৈ অসিগীদমক ঐখোয়না করিদি তৌবীখ্রবগে ? মকুম মথা য়ৌরক্লবদা লৈরাং অসিনা পোমশাৎনরকপদা, হেকপীগদবগী তিংথোকনিংবা খুৎশাদি মশীং য়ামলমগনি। কুমগী নোংনা চুরকখিদবদা লৈ অসিনা ইখৌ লাংলমগদবা তাইবঙ কনানা ফাওরিবগে ? মাগীদমক কুমদম ঈশৈ কনানা শৈথাবীরিবগে? ওহ! কোম্বীরৈ লম্ফেল পাৎকী কোম্বীরৈ, শোঞ্জবতা মঙাইরে। করিসু তৌবা ঙমদে নহাক্কীদমক, ওহ! কোম্বীরৈ লম্ফেল পাৎকী কোম্বীরৈ !?

**- মাখোনমনি মোংসাবা**

ৱারী ককনাউ

# অকংবা অঙাংবা গুলাপ -১৩

থোইবীদু মহৌশা নৎত্রে। ফীভম খরা ফরে। ইশেং শেংনা হায়রবদা ঐ নুপীনসু মাগী ৱারী তারুবদগী মতেং পাংশিনবীবনচিংবা কয়া তৌবদগী মশাদু কুচু কুমেনগা খরা থোক্লে হায়বা তাই। ঐখোয় নুপীদি ঐঙোন্দগী হেন্না মাগী মনাক্তা তোয়না চৎলি। মাগী মতেংসু য়াম্না পাংবীরে। শেল খক্তা নত্তনা পাঙ্গল ফাওবা য়াওনা মতেং পাংবী, মোইদা চাক্কা তোয়না চাই। মানা লৈতবা তাঞ্জা অমুক য়েংদুনা ঐনা থোইবীগীদা হেক হেক ফুৎ ফুৎ ফাওজিল্লি। মাদি খঙবা নত্তে। ঐনা চৎলিদুসু করিগীনো খঙদে, থায়না কোয়নরম্মী হায়বৈ ৱানি। কৈসু অহেনবা ৱাগকা হায়রুবমক্তি নত্তে। সুম য়েংনরগা পেঞ্জে থম্মোয়না হায়দুনি।

হোয় অমরোমদা হায়রদি হান্নদগীদি হৌজিক্লা খরা ফ্রী ওইরে হায়বা তাইয়ে। মরমদি ঐগী নুপীমক্লসু য়াওনা মাগী অৱাবদা মতেং পাংশিনবীদুনা "ইতা-ইতা" কৌনরবনিনা। ঐদি নোক্লীংবসু য়াওই, পাখৎপা অমসু ফাওই, মখোয় অনীনা "ইতা-ইতাগাইনা' কৌনবদু তাবদা। নাকল অমদনা ঐনা থোইবীহোয়দা চঙবদা ইশাদা য়াম্না নুংঙাইতবা, অকিবা অমা ফাওরম্বদুসু হৌজিক্তি কোক্লে। মরমদি ইমুং মনুং ওইনা সুম তিন্নরকপদগী থোইদোক্লা মীনা ফত্তবা খন্নদবা মাল্লি। অদুননি ফ্রী খরা ওইরে হায়রিসি। মখোয়গী ইমুংগী মীনসু "ইবুংঙোসু লাক্লিবরা" গাইনা হায়রগা কৈসু লুনা খন্দনা অদুম ফ্রী থারে। ফ্রী থাবা হায়সিমক্তবু কৈসু অফবদি নত্তেকো। থোইবীগা ঐগী নুপী মেমীগা মরী নকশিন্নবগুম ঐগা থোইবীগসু মরী অদুম নকশিন্নরি। অদুবু ফনা য়াম্না হেক হায়রবসু, থোইবীসু অদু মঙাই, ঐসু অদু মঙাই, থম্মোয়সিদা কৈনোমদি খনবা মানবা অমদি লৈ। য়েংনবদা লৈশাবী পাখঙদৌনা নোকফেৎ তৌনবসিমদি তোকপা লৈত্রি। মসিদনি কৈনোমা লৈরি হায়রিসি। মসি পূম্নমকসি মবুকচেল চাওবী ঐগী নুপী মেমীনদি কৈসু খঙজবা নত্তে হায় তারে। মানা থোইবী নুংশিবনা মীওইবা অমগী অৱাবদা মতেং পাংনবা, ঐসুনি অদুবু ঐগীনা পাখঙ লৈশারিঙৈগী কৈনোমদি য়াওরি। ঐগী নুপী মেমীগা ঐগনা মোই ইমুংদু চঙমন্দনা, থোইবীহোইগী ইমুংদু ঐখোয় অনীগী খোঙ্গুলনা ৱাই চাইরে হায়দু হেক য়ৌরুরে।

নোংমদি ঐনা থোইবীগী দুকান্দা ফল্লগা চাগকা থক্তুনা, নোকফেৎ নোকফেৎ মোন্দ্রং শান্নদনা, ৱাগসি তপ্না-তপ্না ঙাঙনরদনা ৱারী শুংথনরিঙৈদা কদোমদগীনো খঙহৌদে ঐ নুপী মেমীদু কোক হেক চঙশিল্লকই। য়েংথোক্লুবদা মেমীদু চাওথোক চাওখৈ ফল্লগা লেপ লৈরম্মী। ঐগী ইতৌদু মা উখিব্রা খঙদে, ৱাদি হায়দনা চপ লেপ্পগা ঐবু মুন্না য়েংদুনা লৈখি। থোইবীনা মাবু হরাও হরাও কৌশিন্দুনা মোরা অমদা ফমহল্লি। মা কৈনোমা খনখিব্রা খনখিদব্রা খঙদে ৱাদু কোচি কোৎলপ তৌনা হায়রকই। মেমীদু ঐগী নাকন ওইরপ্না ফমথৈ। থোইবীদি দুকান্দা লোনবা চাদু হৈনবা তৌরি। মেমীনা মমায়গদু ঙাঙশিল্লদনা ঐবু চিংনা য়েংলগা হায়রকই,

"ইহ! মোই বাদি সিদা কৈদৌরম্মীবা?" মেমীগী ৱাহংদু তাবদা ঐ শ্বাই লাওই। খুম্ফম খঙদে, ঙাইহাক্তি ইক-আ, ইক-আ তৌই। ঐনা মঙোন্দা হায়রপ য়েংলগা শেমজিনবা পাউখুম অমা পীগে হায়না তৌরুবু, ঐগী মীৎতা মতম অমা লমদমসিদা লালহৌবগী ইরাং কল্লিঙৈদা লালহৌবা নমথনবা লাকখিবা জে কে আর্মিনা এ কে ৪৭ নোংমৈ অমা পায়রগা মুক্তুনা ৱা হংবদৌনা ঐগী মীৎতা উরকখি। ৱা হায়ফম খঙদনা মতৎ মতৎ তৌদুনা খুমখি।

"অ! অ!... ঐনা হল্লকপদা নঙদি য়ূমদসদু লৈরমদে। সিদা লৈরমগদ্রা হায়না লাকইনিনে, নঙসু লৈরমদে"

"নচিন থিনুদা ঐ য়ূমদগী থোরকপদা ঙাইরিদা। য়ূমদা লৈরমদে গাইনা" ঐ চেনফম লৈত্রে। উরু রু হেক লৈখৈ খাংই হায়দু য়ৌরে। জে কে আর্মিনা লালহৌবদা ৱা হংবদা মীহুন চেনগুম চেনগাননা খুম্বদা তাপ লাওনা ফাবদু ঙাইরে। ঐ খুমদা য়াদবগী থোক খুমজিনখি।

"হায়মা নঙ লৈবরো? ঐদি মুন্নগকা য়েংলমদে, থোইবীহোয়রোমদা শোয়দনা চৎলম্বা য়াই হায়না খন্দনা কৌদি কৌরমদ্রে, ঐসু অদুম লাক্লবনি"

"ও ও চুম্মেকো"

"চুম্বা চুমদবা খঙদে, অশেংবদি অশেংবনি" ঐনা হায়দু কৈনো ইশাফাও খঙজদে, লানব্রা চুম্ব্রা য়ৌ-য়ৌ অদুম খুমজিনখিবনি।

"ওইদবদি হায়নরোইসিদা"

"ওইদবা অমত্তা য়াওদেমী" তাঞ্জাসিদা থোইবীনা মেমীদা চাদু লানশিল্লগা,

"ইতা সে চা থকসি"। মেমীনা থোইবীদা মমায় থাঙ্গৎলগা য়েংলগা,

"হোই য়ারে য়ারে" চাদু লৌরগা লৈবাক্তা থমখি। ঐদি হুমাং কাংই, ফমনীংদ্রে, চৎনীংবনা ইশাসে মরেং মরেং চৎলে। ফুক হৌগৎলগা খ্বাং মেৎলগা হায়খি,

'নবানি শুরবনিনা লৈহৌরো, ঐ চৎলম্মগে, ইতাও বোয়াই হোইদা ঙাইহাক্তা চঙলুখিগে"

"ঙাইখোদা হনমিন্নরসি, চাসিমতা থকখিগে"

"হুম য়াররোই, ইতাওদুগা ঐগা ৱারী অরুবা অমা লৈবনি, নঙ য়াওবা নুংঙাইরোই"

"খঙএ খঙএ, নোই হৌনবী তৌদৈ তৌরি নৎত্রা? ঐদি চাক সিদা ওইনা চারক্লনি, খরা থেংলক্কনি। চাক নশানা থোংঙগা চাগে চাজৌ, ঐরা দাই লৈতে"

"চাকপু ইচা চানীংদেদা"

"চানীংঙোই চানীংঙোই খঙই"

"ঐ চৎলে" ঐ মফমদুদগী থুরেখৈ থোরক্লে। ইশাদি হুমাংনা পুমলুপ লুপ্পবনি। গাড়ী কাখৎলে, থৌবা হৌরে। অদুবু ৱাখলদি কদাইদা চৎকদুইনো খঙদে, কুম্মৈ মচা অমদি লৈরনি হায়বা খল্লগা ঐ কদাইদনো খঙদনা গাড়ীদু থৌরি।

**-নরেন্দ্র নিংঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোংঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।